www.sanaleibak.in

SANALEIBAK সনালৈবাক

PROGRESSIVE JOURNALISM

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

কে ভি কে উৎলৌদা পাঙথোকপা নেসনেল এনিমেল দিজিজ কন্ত্রোল প্রোগ্রাম ফোর কমপ্লিট কন্ত্রোল এন্দ ইরাদিকেসন ওফ এফ এম দি এন্দ ব্রুসেলোসিস প্রোগ্রামগী শক্তম অমা

স্টেন্দর্দ রোবার্ট ইংলিশ স্কুলগী মহৈরোই বেবিসনা মীশিগা মরী লৈননা অচুম্বা রায়েল পুথোকপদা মতেং পাঙবীনবা জে এ সিগী মীহুৎ কাঙবু অমনা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নাজমা হেপ্তুল্লা উন্নবগী শক্তম

ইরাবোত সেলেব্রেসন কম্মিটি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং খুন্দ্রাকপম লোকেল কাউন্সিল সি পি আই কৈবী ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা কৈবীদা লৈবা লময়ানবা ইরাবোতকী খুভমদা পাঙথোকপা ইরাবোত থাবুম

Volume No: 43 Issue: 286 IMPHAL THURSDAY 12 SEPTEMBER, 2019 শগোলশেল, লাংবনগী ১৩ নি পানবা RNI Regd. No. 31350/77 PAGE : 8 Price:Rs 3.60

ৱাখলগী চিঙ্গাক

উচেক অমনা
হিংলিঙৈদা ককচেং
চাই, উচেকতুনা শিরগা
ককচেংনা চাই

অঙৈং–অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ২৮.২৪° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ২২.৯৫° সি
নোংজুগী চাং ঃ ১.২ এম এম
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং–৪.৫৯
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং–৫.২২

পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৬৮.৩১
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬১.৬১

SAMSUNG OFFER
SAMSUNG 32' LED
SAMSUNG REFRIG 2 / 3 STAR 190 LT.
INTEX 7.2 KG WASHER
TATA SKY FREE
₹ 38,000/-
SAMSUNG 40' LED
SAMSUNG REFRIG 2 / 3 STAR 190 LT.
SAMSUNG 7.2/6.5 KG WASHER
FREE ₹2499
₹ 50,990/-
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.
CHINGTAM, OPP. HOTEL AIMAD COMTTL.
SARAJEEVAN ENT. PAONA BZ. IMP.

INTEX
WASHING MACHINE
6.2 KG = ₹ 7800
7.2 KG = ₹ 9000
8KG = ₹ 10200
7KG SPL. GODREJ = ₹ 10500
7.5KG SPL. GODREJ = ₹ 11500
REFRIGERATOR
181 L GODREJ = ₹ 10600
190 LT SAMSUNG = ₹ 11400
190 LT 3 STAR Godz = ₹ 12800
200 LTR 3 STAR = ₹ 13000
INTEX LED (3 YRS WARRANTY)
32' LED (3225) 3YRS = ₹ 11000
32' LED (3220) 1YR = ₹ 10500
40' LED + TATA SKY = ₹ 20500
50' LED + TATA SKY = ₹ 30500
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.

গ্যাসকী পাউ লাঃ ৬ তা

লোইরেদনা

য়ারোইনে, ভেহিকল এক্তকী মখাদা ভারত পুম্বা চৎনহল্লবনিনে, ফাবা ঙম্মরোই সিরো...

[illegible]



সার, কনাগী কম্মান্দো, হবন্দার, চৌকিদারফাও ট্রফিক্তা লৈরগেনা ৱানোন্নবদা পুলিস ষ্টেসনদি পুম্নাং হাংহৌরে...

[illegible]

হেক্তা হায়জিনবা

ৱাইখুগী ৱারী

ৱাইখুনি ঐখোয় ৱাইখুনি
থুমোক অমদা হাপ্লিবা
ৱাইখুনি ঐখোয় ৱাইখুনি
অমত্তা নাহোকপা য়াদবা
থুমোক্তগী নাহোকপা য়াদবা
কাখৎলি অমনা নাহোক্লবা
চীংখৈ অমনা মখাদা
কাখৎলি অমনা নাহোক্লবা
চিংথৈ অমনা মখাদা
চিংথনৈ অমনা অমবু
ৱাইখুনি ঐখোয় ৱাইখুনি
থুমোক অমদা হাপ্লিবা
শীথনৈ ঐখোয় মশেল
উশিৎনদে ঐখোয় মশেল
ইন্নৈ ঐখোয় মশেল
হাৎতৎনৈ ঐখোয় মশেল
ৱাইখুনি ঐখোয় ৱাইখুনি
থুমোক অমদা হাপ্লিবা
ৱাইখুনি ঐখোয় ৱাইখুনি

‘সি এ বিগী মতাংদা অমিত সাহগী ৱাফম মীয়াম্বু লান্না লমজিংবনি’

সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মায়োক্তা অসামদা ইরাং হৌরক্লে

ASSAM IS NOT A DUMPING GROUND FOR FOREIGNERS
বাংলাদেশী

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর১১(এসএন এস)ঃ গুৱাহাটিদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা বি জি পে না লুচিংবা নোর্থ ইষ্ট দিমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স (নেদা) গী মীফমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা সিটিজন এমেন্দমেন্ট বিল (সি এ বি) না লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংগী আইদেন্টিন্টি, কলচর অমদি কষ্টম ঙাক্লুবা লৈরিবা লোশিংগা করিসু য়েৎশিন্নরোই হায়না ফোঙদোকখিবদু মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনবা, দবল ষ্টেন্দর ওইবা থৌওংনি হায়না নোর্থ ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্দিজিনিয়স পিপলস (এন ই এফ আই পি) না য়ান্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা সি এ বিগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদুনা মরম ওইরগা অসামদা মীয়ামগী ঈহৌ হৌরকখ্রে।

অৱাং নোংপোক্কী য়েলহৌমীশিংগী অপুনবা ফোরম ওইরিবা এন ই এফ আই পি গী মেদিয়া সেক্রেটরীনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল অসিগী ৱাখল্লোনদি লমদম অসিদা লোগী ৱাংমদা চঙলক্তুনা লৈরিবা মীওইশিংবু সিটিজনসিপ পীবা য়ানবা হোৎনবনি হায়রি।

সিটিজনসিপ এক্ট ১৯৫৫ গী অহুমশুবা সেদ্যুল শেমদোক্তুনা সিটিজনসিপ পীনগীদমক লৈবাক সিদা লৈগদবা চহী ১১ দগী ৬ তা হন্থহনবা অদুগা অফগানিস্থান, বাংলাদেশ অমদি পাকিস্থানদগী চঙশিল্লকপা হিন্দু, জৈন, সিখ, বুদ্ধিষ্ট, পার্সি অমদি খৃষ্টান মাইনোরিটিশিংবু লোগী ৱাংমদা চঙলকপনি হায়না লৌরোই হায়বা ৱাফম য়াওবা হৌজিক লৈরিবা সি এ বি অসি এন ই এফ আই পি না কন্না য়ানিংদে হায়না চেরোল অদুনা ফোঙদোক্লি।

সিটিজনসিপ এক্ট ১৯৫৫ গী মতুং ইন্না লোগী ৱাংমদা চঙলকপা মীওই হায়বদি ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট হায়রগা খঙনরিবসি লৈবাক অসিদা চৎনবা য়াবা পাসপোর্ট য়াওদনা নৎত্রগা শাশিন্নবা দোক্যুমেন্টগা লোয়ননা চঙলকপা মীওইশিং অমদি বিসা পার্মিটকী মতম হেন্দোক্লা লৈবা মীওইশিং অদুনি। অদুগা হৌজিক লৈরিবা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ অসিনা অসিগুম্বা মীওইশিং অসি লোনা য়াবা সিটিজন ওইহন্নবা হোৎনবনি। মসি কনষ্টিট্যুসন্না য়াদবা অমদি সেক্যুলারিজমগী ৱাখল্লোনগী ৱাংমদনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা শন্দোক্লা পল্লক্লি।

অৱাং নোংপোক্কী মীওইশিং অসি মখোয়দা করিনা কান্নগনি নৎত্রগা কান্নহল্লোই হায়বদু খঙদবা মীনি হায়না লৌবা লানগনি। অসাম খক্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক্তগী লোগী ৱাংমদা চঙলকপা মীওইশিং তাহোক্কনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকপনা লমদম অসিগী মীওইশিংগা মরী লৈনবা ৱাফমদা চেকশিন্না থবক লৌখৎহন্নিংই হায়নসু মখা তারি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল অমুক হন্না পুথোক্লগনি হায়না লাওথোক্লম্বা মতুং নোংমা কোনবদগী অসামদা ইরাং হৌরকখ্রে। ওল অসাম ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন (আসু) না বিল অসি য়াবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কোংগ্রেসনসু বিল অসিনা *মখা লমায় ৩দা...*

মী হাৎপগী মরাল মায়োক্লরিবা পুলিস পার্সোনেল তরেৎকী হিয়ারিং হৌরগনি

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১১ (এসএন এস)ঃ সি বি আইনা চার্জসিট থাগৎলকপদা মীহাৎপনি হায়না মরাল শীরিবা পুলিস পার্সোনেল তরেৎকী চার্জ হিয়ারিং থা অসিগী ২৫ দা চীফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা চৎখরগনি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, হৌখিবা কুমজা ২০১২ কী জনুৱারী ২০ দা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবদা লৈবা ক্যামগৈ শান্তিপুরদা এম দি জামির খান কৌবা মীওই অমা হাৎখিবা থৌদোক্কী মতাংদা সি বি আইনা চার্জসিট থাঙ্গৎলকখি। চার্জসিট অদুদা সব ইন্সপেক্তর পি তরুনকুমার য়াওনা পুলিস পার্সোনেল ৭ কী মথক্তা মী হাৎপা, লৌতুনবগী মরাল শীরি। সব ইন্সপেক্তর টি তরুনকুমার মীহাৎ অদুদা প্রসিদেন্ট পুলিস মেদল ফোর গেলন্টিরিগী এৱার্দ ফংখ্রবনি।

চার্জ সিট থাঙ্গৎলকখিবদা য়াওরিবা অতৈ পুলিস পার্সোনেল তরুক অদুদি, সব ইন্সপেক্তর পোৎশংবম মনিরতন, কনষ্টেবল য়েংখোম কিশোরজিৎ, কনষ্টেবল এলাংবম অকুং, কনষ্টেবল চবুংবম সনাজাওবা, কনষ্টেবল খুলাক জোসেফ মরিং অমদি ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী কেস আই ও, এম দি ইস্রাউদ্দিননি।

সি বি আই না থাগৎখিবা চার্জ সিট অদুনা পল্লিবদি, হৌখিবা ২০১৭ গী জুলাই ১৪ অমদি ২০১৮ গী ফেব্রুৱারী ১২ দা সুপ্রিম কোর্টকী দাইরেক্সনগী মতুং ইন্না ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসন্না ২০১২ গী জনুৱারী ২০ দা কিয়ামগৈ শন্তিপুরদা থোকখিবা ফেক এনকাউন্টরগী থৌদোক অমদা এম দি জামির হাৎখিবা অদুগী এফ আই আর নম্বর ১৮(১) ২৯১২, আই বি জি/পি এস, আই পি সি

সেক্সন ৩০৭/৪০০/৩৪ এন্দ ২৪ (১–সি) এ. এক্ট অমদি ৩৩ এক্সপ্লোসিব সবষ্টেন্স এক্ট পানখিবা কেস অদুগী মখাদা য়েংশিনখি। লোয়ননা কেস অদুবু সি বি আই না দব্লিউ পি. (সি আর এল). দ. ১২৯/২৯১২, আর সি –০৯ (এস) /২০১৭/ এস –থ্রি/ন্যু দিল্লিগী মখাদা রেজিষ্টার তৌখিবনি।

সি বি আই গী স্পিসিয়েল পি পি না মখা তানা পাল্লিবদি, লৈখিদ্রবা এম দি জামির খান মচিল মনাও ৪ গী মনুংদা ইতোন তোনবনি। মহাক্কী মপা পাউনা বাজারদা দেন্টেল ক্লিনিক অমা চলাইরি। লোয়ননা মহাক নুপী থিদুনা মচা অমা লৈরবনি। নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক পুং ৮ দগী নুমিদাং পুং ৯ ফাওবা মহাক্কী মপানা চলাইরিবা দেন্টেল ক্লিনিক অদুদা য়াওদুনা মপাগী মতেং পাংবনি। থৌদোক থোকখিবা নুমিৎ অদুদা মহাক ক্লিনিক অদুদা য়ুমদগী চৎখিবনি। অদুবু নুমিৎ অদু ক্লিনিক য়ৌরক্তবদগী মপানা ময়ুমদা মহাক লাক্লে হায়বগী পাউ পিখি। ইমুং মনুংনা মহাকপু কোইথি থিখি *মখা লমায় ৩দা...*

মণিপুরগী তম্পাক্কী লমশিং ঙাক শেন্নবা হোৎনসি: চীফ সেক্রেটরী

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১১(এস এন এস)ঃ মণিপুরগী অপুনবা পাক–চাউবগী চাদা ১০ খক্তমক তম্পাক্কী লমনি। পীকখ্রবা লম অসিদা নোংমা নোংমগী মীশীং হেনগৎলকপনা লৈফম লৈতবগী অৱাবা ফীভম অমা লাক্লিবসি করম্বা পান্থৈ শীজিন্নদুনা কনবা ঙমগদগে হায়না থিদোক্তুনা তম্পাক্কী লমশিং হৈ–শিংনা শীজিন্নদুনা ঙাক– শেন্নবা হোৎনসি হায়না মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরী ডা. জে সুরেশ বাবুনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি কংলৈপাক ইনফ্রষ্ট্রকচর এন্দ হাউসিং (কে আই এ ঐচ) না প্রোজেক্টনা পায়দুনা শাগদৌরিবা ‘আর বি দি ইম্ফাল রেসিদেন্সি’ হায়না মিংথোনগদৌরিবা মণিপুরগী অহানবা মথোল ৭ ৱাংবা রেসিদেন্টেল এপার্টমেন্ট বিল্ডিংগী উরেপ উঙুং তন্বগী থৌরম অমা শঙাকফম, চীংমেরোংদা পাঙথোকখিবদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরী ডা. জে সুরেস বাবু, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর মহুদকী কম্মিস্নার শ্রী এম জয় সিংহ অমদি মহুদকী দাইরেক্তর টি ঐচ হরিকুমার সিংহনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা সুরেস বাবুনা মখা তানা হায়, তম্পাক্কী লম অসি য়ান্না পীকই অদুগা মাগী মাগী প্লোটতা তোঙান তোঙানবা য়ুম শানবা অসিনা অমুক হেন্না লম তাংবা থোক্লিবনি। লৌউ–শিংউ তৌরিবা মফমশিংসু আইন্না য়াদবা মওংদা য়ুম শাজিনবা লেপত্রি।

লম তাংবনা মরম ওইদুনা য়ুমদা পাঙথোক্লরম্বা দেব কর্ম্মশিংসু ঙসিদি মফম লৈতবনা কম্যুনিটি হোল অমদি হোটেলনচিংবা মফমদা পাঙথোক্লরক্লে। চহী ১০–২০ গী মতুংদা করম্না ফিভমদা লাকপা য়ারকপগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

লোয়ননা মণিপুর রিয়েল ষ্টেট রিগুলেসন এন্দ দিভলপমেন্ট এক্টকী মখাদা রিজেষ্টার তৌরবা অহানবা ম্যুনিসিপাল, ইনভাইরোনমেন্ট, পোল্লুসন, ফয়ার অমদি সেফতিগী নোর্ম লোয়না ইনবা ঙম্লবা ‘আর বি দি ইম্ফাল রেসিদেন্সি’ অসিনা ইমুং ১০০ গী মথক্তা লৈফম পীগদৌরিবা অসিমক অচুম্বা খোঙথাংনি হায়না মখা তাখি।

ৱাই কে ধিরেনবু জোইন্ট কম্মিটিগী কনভেনর খনখ্রে

ৱাই কে ধিরেন: মণিপুর পিপলস বিল এসেন্ট পীবিদবা হায়বসি লমদম অসিগী মীয়াম্বু ইকায়খুন্নদবনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দা মণিপুর এসেমব্লিনা পাস তৌখিবা মণিপুর পিপলস বিল ঙসি ফাওবা এসেন্ট পীবিদনা নমশিল্লগা থম্বা হায়বসি লমদম অসিগী মীয়াম্বু ইকায়খুন্নদবনি হায়না জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম (জে সি আই এল পি এস) গী নৌনা কনভেনর ওইনা খনখ্রবা ৱাই কে ধিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি সেগা রোদ কোঞ্জেং হজারি লৈকাইদা লৈবা জে সি আই এল পি

এসকী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউমীফম অমদা মহাক্না হায়, মণিপুর মীতোপ মীয়ানচা চঙলকপা থিংনবা জে সি আই এল পিনা চঙশিল্লকপা খোঙজং ঙসিসু লেপ্তনা চঙশিল্লি। মীতোপ মীয়ানচানা লাকশিল্লক্লবা লমদম অসিবু কন্নবগীদমক ষ্টেট এসেমব্লিনা পাস তৌখিবা মণিপুর বিলবু ঙসি ফাওবা প্রসিদেন্টনা এসেন্ট পীবিদনা লৈবা অসি লাইবক থীবনি। মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বসি খঙবীরগা অথুবদা বিল অসিবু এসেন্ট পীবিদুনা য়েলহৌমী অসিগী ঙাক্লো পীগদবনি। চহী অমা হেজিঙ্লক্লবসি ফাওবা তুমিন্না অসুম লৈশিনবসি জে সি আই এল পি এসনা য়াবা ঙম্লোই।

মহাক্লা মখা তানা হায়, মণিপুর পিপলস বিল অসি এসেন্ট পীরক্ত্রিবা ফাওবা মীতোপ মীয়ামচা চঙশিল্লক্লিবশিং অসি রিগুলেট তৌনবা রিগুলেসন অমা মীয়ামগা তান্নরগা শেন্নবা মতুংদা লাউথোক্লুবা শেম শারে। লোয়ননা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন, মৈরা পায়বীশিংগা খুৎশন্নরগা পুন্না ৱাখল তামীন্নরগা মীতোপ মীয়ানচাশিং চঙলকপনা এৱার্নেস কয়া পাঙথোক্লবসু শেম শারে।

রেগুলেসন অমগী মখাদা মীতোপ মীয়ানচা চঙশিল্লকপা থিংনবা থবক ওইনা পায়খৎপা মতমদা পুলিস দিপার্টমেন্টগা কো–ওর্দিনেসন পীনদুনা পুন্না থবক *মখা লমায় ৩দা...*

পেন্সনগী শেনফম ঈ–ট্রান্সফর তৌখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১১(এসএন এস)ঃ ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভলপমেন্টকী মখাদা পায়খৎপা নেসনেল সোসিয়েল এসিষ্টেন্স প্রোগ্রামগী মখাদা অহল ওইরবশিংদা পীবা ইন্দিরা গান্ধী নেসনেল ওল্ড এজ পেন্সন স্কিম, দিসএবল পার্সনশিংদা পীবা ইন্দিরা গান্ধী নেসনেল দিসএবলীটি পেন্সন স্কিম অমসুং লুখ্রাবীশিংদা পীবা ইন্দিরা গান্ধী নেসনেল ৱিদো পেন্সন স্কিমগী বিনিফিসিয়ারি ৫৫,০৪৫ দা মখোয়গী পেন্সনগী শেনফমশিং মশা মশাগী একাউন্টতা সোসিয়েল ৱেলফেয়ার দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তর এন জি উত্তমনা ইলেক্ট্রোনিক ট্রান্সফর তৌখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা দাইরেক্তর উত্তমনা পাউমীশিংদা হায়, ইন্দিরা গান্ধী *মখা লমায় ৩দা...*

মীওইবগী হকচাং কয়াৎ য়োল্লম্বগী ৱাথোক থিজিন্নবা পুলিস ওফিসার ১ থারগনি: সি এম

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর১১(এসএন এস)ঃ মণিপুরদগী মীওই কাঙবু অমনা চান্দিগরদা লৈবা পি জি আই এম ই আরদা কিদনি য়োল্লম্বগী মরিদা মীফা মীপুন চথরকপা অসি য়েংশিন্নবা পুলিস ওফিসার অমা চান্দিগরদা থানবা থৌরাং তৌরে। লোয়ননা ৱাথোক অসিগী মতাং দা লৈঙাক্লা থিজিনলগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পিগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ওফিসার অদু ঙসি নোংমা নীনিগী মনুংদা ইম্ফাল থাদোক্লগনি। মহাক্লা মফম অদুদা চৎলবা মতুংদা অশেংবা অমদি শোয়দনা খঙবা ঙম্লগনি হায়খি।

মণিপুর পিপলস বিল, ২০১৮ হৌজিক ফাওবা প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীদনা লৈরিবা অসিগী মতাংদা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা চীফ মনিষ্টরনা হায়, হিরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লসু প্রসিদেন্টতা তকশিন্দুনা লাক্লি। হিরম অসিগী মতাংদা তোঙান্না খন্নবগী তঙাইফদবা লৈবনা দিল্লিদা লাক্লবা খঙহল্লকপগা লোয়ননা মহাক মশামক অথুবা মতমদা দিল্লিদা চৎলগনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, ইন্দিয়া অমসুং ম্যানমারগী লমখৈ পরিং অসিদা নারোন্দা লোগী ৱাংমদা নোংমৈ, ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং লল্লোনবগী থবক চথরকপা অসি থিংনবা গুৱাহাটিদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর আমিট সাহ উন্নবদা ম্যানমার লমখৈগা পেরেলেল ওইনা ইন্দিয়াগী লম্বী অমা শেম্নগা মদুদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা চাং নাইন চেক তৌবা য়াবগী খুদোংচাবা অদু লৈহন্নবা তকশিনখি। হোম মিনিষ্টরগী মায়কৈদগীসু মদু পায়খৎকনি হায়বগী থাজবা পীরমখি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মিসন অমা ওইনা লাক্লিবা ওক্টোবর ২ দগী লৈবাক অসিদা শিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক শিজিন্নবা থিংনবা লাওথোকখ্রবা মতুংদা ষ্টেট অসিদসু প্লাষ্টিক থিংনবগীদমক করি থৌরাং লৈরবগে হায়না হংবা ৱাহংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসি শোয়দনা থবক ওইনা *মখা লমায় ৩দা...*

লালহৌবা মশেল কাপ্পবদা কাদর অনী শিরে, অতোপ্পা অনীনা শোক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১(এস এন এস)ঃ লৈবাক অসিগী লোনা য়াদবা মওংদা চুরাচান্দপুর মায়কৈদা ওপরেট তৌরিবা তাইগরস ওফ ত্রাইবেল (এল টি টি) অমদি য়ুনাইটেদ ত্রাইবেল লিবরেসন আর্মি (য়ু টি এল এ) অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্লখ্রে। থৌদোক অদুদা য়ু টি এল এগী কেদর অনী শিরে, অনী অমনা থিনা শোক্লে।

প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অসি ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১ রোম তাবা অদুৱাইদা ফের্জোল দিষ্ট্রিক্টকী পার্বুং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা সাইকুলফাই সোংফুমুন ভিল্লেজদা থোকখিবনি। নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অদুদা নোংমৈ মরুনা পান্দুনা শোকপদগী লৈখিদ্রবা য়ু টি এল এগী কেদর অনী অদুদি ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী থালোন পুলিস ষ্টেসননা কোনবা খোঙজাং ভিল্লেজদগী সৈলেনমোন এলাইজ মার্কস (৩২) অপোকপা হেনকম সিংসন অমসুং লুনমিনথাং এলাইজ মিনিয়োনি হায়রি। শোক্লবা কেদর অনী অদুনা নোনে দিষ্ট্রিক্টতগী লালবোই (৩৬) অপোকপা থাংখোজাংনি। অদুবু অশোকপা মীওই অমগী মমিং মথা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

য়ু টি এল এদগী মচেৎ তারগা শেমখিবা এল টি টিগী কাদরশিংগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্পদুনা মীশি–মীনা নংখিবদুগী চপ চাবা অকুপ্পা পাউশিং ফংবা ঙমদ্রি হায়রি।

মণিপুরদা শাবা গ্লাস ফাইবরগী হিনা মীয়ামদা কান্নহল্লে

খাঙেম্বম সঙ্কর

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১(এস এন এস)ঃ হি শানবা উ য়াম্বুৎপা থিংনবা সেভ ফোরেষ্ট হায়বা থিমদা তাকয়েল পাৎতা লৈবা রঞ্জয় প্লাষ্টিক ইন্দষ্ট্রিসনা পুথোকখিবা গ্লাস ফাইবরগী হিনা মণিপুর খক্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মীয়ামদা অহানবা ওইনা কান্নবা পীবা ঙমখ্রে।

লোক্তাক পাৎ য়াওনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম খরদা ঙাফাবা, চখোক চৎশিন তৌবা অমদি পোৎ চৈ হোন্দোক হোনজিন তৌবদা মমাংঙৈদগী হৌনা শিজিন্নরক্লিবা উনা শাবা হি অমা শাবদা উজাও অমা চংই। উনা শাবা মখলগী হি অমগী মপুন্সি অসি চহি ৫ /৬ রোমদমক ওইবনা

অনৌবা হি অমা শানবা হোৎনবদা উজাও অমা অমুক য়ানবা তাবনি। হি শানবা উজাও কয়া য়াম্বুৎখিবনা উমং কোক্লকপগী মরম অমসু ওইরি। হৌজিক্তি হি শাননবা উজাও থিবা ফংদ্রে। ললোন্নবা অমসুং লন্নাই ওইনা শীজিন্নবা উ–ৱা পংয়ান্দা য়ান্নখিবদগী মহৌশাগী অইং–অশা অমদি নোংজুনুংশাগী খলদা অকায়বা পিরক্লি।

উমং কল্লু হায়বা অকনবা খোল্লাউ লাউনরিঙৈগী চৈরক অসিদা ঙামীশিংগী, ঈশিং লম্বীদা শীজিন্নবগী নৎত্রগা টুরিষ্টশিংনা শীজিন্নবগী তঙাইফদবা হিশিং শাবদা উ নত্তবা অতোপ্পনা মহুৎ শিনবা হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা তঙাইফদবা ওইরকই।

হীরম অসিগী মতাংদা তাকয়েল পাৎতা লৈবা রঞ্জয় প্লাষ্টিক ইন্দষ্ট্রিসকী প্রোপ্রাইটর য়াইরিপোক য়াম্বেমদগী খুমন্থেম রতনকুমার (৪২) অপোকপা কেঐচ মুনাননা পাউচে অসিদা হায়, চহী ৪ রোমগী মমাঙদগী হি শাবগী থবক অসি চথদুনা লাক্লি। হৌজিক ফাওবদা তোঙান তোঙানবা মখলগী হি ৫০০ রোম শারগা য়োনখ্রে। পুথোক্লিবা হিশিং অসিগী মনুংদা মণিপুরদা মমাংঙৈদগী মরুওইনা লোক্তাক পাৎতা ঙাফাবদা শিজিন্নরিবা অশাংবা মখলগী হি (ত্রেদিশ্নেল বোট)না অয়াম্বনি। অতৈনা পার্ককুম্বদা শিজিন্নবা খোঙনা ওৎপা হি (পেদল বোট) অমদি ইনজিন পানবা (মোতোর বোট)নি। কেমিকেল অমদি অতৈ পোৎলম খরাগা য়ানশিন্নরগা শাবা গ্লাস *মখা লমায় ৩দা...*

অদোমবু মফম অমদগী মফম অমদা নুঙাইনা, লাইনা অমদি অতেনবা মতমদা য়ৌহনবা ঙম্বা
Manipur Cab Services
হৌজিক মণিপুরগী মীয়ামনা খুদোংচাবা পিবা হৌজরে...
খুদোংচাবা অসি লৌখিনবা Telephone গী খুৎথাংদা মখাদা পীজরিবা number অসিদা call তৌবিয়ু নত্রগা অদোমগী Smartphone দা ঐখোয়গী Android app "Manipur Cab" playstore দগী download তৌবিরগা অদোমগী অপাম্বা গাড়ী তোংদুনা চৎপিয়ু
Toll Free Number
1800-345-3838
GET IT ON Google Play
₹ 15 per Km. Normal
₹ 25 per Km. Standard
Picnic, লুহোংবগী অমদি অতৈ থৌরমশিংগী ওইনা অহেনবা শেমবা package লৈরি
অদোমবু তেক্তা কায়দনা অমনি মতম চানা য়ৌহনবনা ঐখোয়গী পান্দমনি
Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal
Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.